Monday, December 29, 2025, Imphal

HUEIYEN LANPAO

# চৈনাখোলদগী কপ্লকপদা অমুক ফৃজিনবা

## ঙম্মী হায়দুনা পংতৌ তৌনু, ৱা য়াম্নরক্কনিকো

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোর্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চল্লিবা তোর্বুং শাবল লৈকায় অমসুং ফৌগাকচাও ইখাই তম্না বোম অমসুং নোংমৈ মরূ কয়া কাপশিল্লকখিবা মফমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বীশিংগী লূপকী লুচিংবী অমসুং থৌমীশিংনা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিল্লুবা, নোংমৈ-বোম মায়োক্নখিবশিংগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শারুবা অমসুং অঙম্বা পোৎলম খরা তেংবাঙ ওইনা পীরুবদা উ মোরোক তপ-তাখৈ চাশিল্লুবদগী মবুক খংয়েক য়েকপদৌনা তৌবা মানবা মীওইশিং য়াওরক্লিবসিবু করিগী ওইরমগদগে? থৌদোক থোকখ্রিবা মফমশিংসিদা চৎলুবা পোৎফম ফম্বীশিংবু বাবুপড়া অস্বাইদা ওফিস ওইবা য়ুনিফোর্ম শেৎপা অম-নিনা মখোয়গী মনাক্তা কৌই হায়রিসিবু করিগীনো? মীৎকপ-মীরাওখোল অমসুং হেদো-নাহে চল্লকপা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা হোৎনগদবা লো পায়দুনা চৎনহনগদৌবা মখূৎশিংদুনা মক্রাং লোন্দুনা লৈবা, থোকহন্নীংদবা অমসুং থোরকফম থোক্তবা থৌদোকশিংসি থোরকপগী চৈনাখোলনা মখোল থোক্লা কপ্লক্লগনা মচিন-মচিনশিংদুসু শুগাইরগা ফিবুল নমগনি অমসুং মমায়-মমিৎ খঙদবা মখৈ থাজিন্দুনা থুগাইগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দু চেনবনি হায়রক্লগদি চুম্লিব্রা হায়বনি। মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসিগী থৌদোকশিংসিবু কিলোমিটর লিশীং কয়ানো লাপ্লনা লৈরিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কোকথক্তা লোইনা হৈজিনগদ্রা হায়বনি। হোয়, লানসি হৌরক্তুনা তাল্লক্লিবা দিমান্দসিগী মতাংদবুদি মণিপুর লৈঙাক্লা, ষ্টেটসিগী পোলিটিকেল, সোশল অমসুং লোকল লীদরশিং অমসুং মীয়াম্না ৱাতুপ্পবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদে। থবকসিগী পৱার অমসুং থৌনা লৈজদে হায়বসিদি অচুম্বনি। ঙমদবদগী অঙম্বা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা তেংথা-নাওইদুনা তকশিল্লকপগী ৱানি। লানসিগী মওং-মতৌ অমসুং দিমান্দসিগী মতুং-ইনবগী মথক্তা হৌজিক চহী অহুম ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা কাংজেন্নদুনা লৈহল্লকপদগী মখোয়গী থৌওইনশিননি, প্রোক্সি ৱারনি হায়রকপগী ৱানি। অদুবু লানসি পাকিষ্টান, বাংলাদেশ নৎত্রগা মপাঙ্গল খ্বাইদগী কনবা অমেরিকানা ইনশিন্দুনা চথহল্লকপমক ওইরবসু মণিপুরগী মীয়াম অমসুং মীয়ামসিগী লন-থুম ঙাক শেনগদবশিংদি কনা কনানো? ইনশিন্নীংবা ইনশিঞ্জসনু, মণিপুরগী লৈমায়দদি বোম অমা, নোংমৈ মরূ অমা কাপ্লকপা য়ারোই। থাঙ পায়দুনা হৌরক্লগনা থাঙনা মায়োক্লনি, তা অমা লংলক্লগনা অনী লংশিনগনি হায়বগী থৌনাদুগা লোয়ননা নথৌ পাঙথোক্কদবা নৎত্রা? ত্রাইপর্টাইট টোক চথদুনা পোলিটিকেল দিমান্দ তাল্লকপা ওইগেরা-ওইরোইরা মণিপুরদদি লো-এন্দ-ওর্দর কায়হনবা থবক-থৌওং অমত্তা চথরকপা য়ারোই হায়দুনা ফৈগাক ফৈনা লেপ্তুনা চপ চানা থবক তৌফম থোক্ত্রা?

তৌগদবসিদি তৌদে। ঙসি-ঙরাং খক্তগী ৱাফম নত্তে। লান হৌরকপদগী তৌরক্তে। অদুগা টেররিষ্টশিংনা মীচম-মীয়ামদা খূৎ থারক্লগনা নখোন থোরক্কনু, মনা-মনিল নাইরক্কনু হায়গনি হায়বা থৌদৌসিবু অশেংবা নরিংজেলনি হায়গদ্রা? নত্তেনে, মীচম মীয়াম, অদুসু লোইজি-লোয়া, চীংখোঙ-চীংয়া অমসুং খুঙ্গংদা লৈজবশিংদা বোম-নোংমৈ হৈথরকপসিবু টেররিষ্টকী থৌওংনি হায়রোইদবা করম্বা এক্ট, রুল অমসুং লোদা য়াওবগে? টেররিষ্টশিংগী থবক-থৌওংশিংদনা খঙশিন-উশিন্নদনা চগৌ য়েংদুনা লৈয়ু, চৈনাখোল ফংলবশিংনা লাউ-খোংলকপদনা মচিন মেল্লু হায়বগী অহকপা পাউতাক্কা পীরকপা য়াওব্রা হায়বনি। ৱারগা ৱায় হায়বা, নুংঙাইত্রগা নুংঙাইতে, কিরগা কিরে হায়রকপা মৈরা পায়বী, পোৎফম ফম্বী অমসুং সী এস ও লুচিংবশিং কৌর-কৌরগা শকফমগা হঞ্জিল্লগা 'কাউন্সেল্লিং' তৌদৌ শরুক বোম-নোংমৈ কাপহল্লক্কনু। মসি থিংবা ঙম্লবদি তৌহন্নীংদে হায়বা খোঙজংসিবু চংশিন্নরকখিগদ্রা? মৈরা পায়বী, পোৎফম ফম্বী, লূপশিংগী লুচিংবশিং অমসুং মীয়ামসে মথৌ লৈত্তবা ঙাক্তনি হায়দুনা লৌব্রা? মশা-মশাগী মথৌ লোইনা লৈবনি। বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা পাক্তক-পাক্তক্লনা চংহাৎ হাৎনবা হোৎনরকপদগী মশাগী মথৌমক্তি হায়দুনা চোংথোক্লরকপগী ৱানি। তুরেল লৈরাই কায়দুনা চেনশিল্লকপা ঈশিংনা থোকহল্লকপা ঈচাও মায়োক্লরকপা মীয়ামসু ইভাক্কেট তৌদুনা শাফগদবা মফমদা টেম্পররি সেল্টর পীদুনা থম্নবসু হোৎনৌ। অদুবু কায়রিবা লৈরাইদুসু মেনশিল্লু। ঈফুৎনচিংবা অমত্তা ফাওহল্লক্কনু হায়বনি। থবকসিদা ষ্টেটকী ওইনা লৈজরিবা পোষ্টেট ষ্ট্রেঙথনা এদিক্কেট ওইদ্রগনা খোইয়াম পাইশিল্লকপদৌনা য়োমশিল্লক্লিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংসিগী মতেং লৌ হায়বনি। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈহল্লক্লিবা আই দি পিশিংনা লাইনীং ওইজবা 'মশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহল্লু' হায়বসিগী মতুংইন্না চঙশিনবা হৌরকপদা অমুক কাপশিল্লকপদগী য়ানীংদবা ফোঙদোরকপশিংদা কিহনবোই-করিবোই তৌদুনা লেকচরগা তৌবদুবুদি মমিৎ নাবা খরা য়াওরক্লবসু তৌরোনে, য়ারেনে। মখা তানা কাপশিলহল্লক্তবদি ঙন্নগদ্রা হায়বনি। থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমা থোরকপদা খূৎফম হঞ্জিন্দুনা হোৎনবদা থৱায় য়াওরিবা অমসুং হৈ-শিংলিবশিংদু পুল্লপ হৈজিন্দুনা শীজিন্নরগা থোরকহন্দনবা হোৎনৌ হায়বনি। শিনফমদুদি অতৈ প্রোফেশনগুম্না দেদিকেশন, ইন্টিগ্রিটি অমসুং ইফিসেন্সিগী মথৌ তারবসু য়ুনিফোর্ম সর্ভিসতদি দিসিপ্লিন হায়বসিমসু খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তাই। মরু ওইবা পোৎচং অমসু ওই। পোষ্টিংগী, প্রমোশনগী অমসুং গুদ সর্ভিস মার্ককীদমকপু মীনা থৌজিনবদা চোংশিন্দুনা খোংজিনগনি হায়বদুদি 'পাশিং আউট পেরেদ' তা খূৎ তিংথোক্লগা ৱাশকপদা য়াওরল্লোই হায়বনি। উন্ন-খোৎনদনা, ইন্টরেক্টিভ সেশনগা পাঙথোক্তুনা পব্লিক ইম্পোর্টেন্স খঙবা, লৈনগদবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনববুদি এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামনি অমসুং কেপাসিটি বিল্ডিংনি হায়দুনা লৌবা য়াই। অফবা থবক্নি। অদুবু অসুক ফজখ্রবা থবকসি মশাগী শিনফমদা মায়বনা খূৎ থারমদুনা খাঙেনফমদা হূই-হৌদোংনা লন্নানখিদনবা ফিঙৌনা শম্বল খাজিনবদৌনা থন্নকপগা পাঙ্খক্লরবশিংগী হিংচাবী চংলবা খুদোম্বীনা থিল্লক্লগা মতুং ইন্দুনা চৎপগী ফীভমদুদি তৌনু। থৌওংসিদি মখূবাক ময়ি পুমতৎ-তৎপমখৈ য়ূমতাক কৈতাকহনখিবা মখোয়গী নমথীবা 'শ্বর' দু লোইনরক্কনি। শিৎ-নান্না খঙবা মীওইশিংনা নীংথি-নুংঙাইনা ঙাঙনবিরক্লোই। নুংঙাইতে হায়বনি। ৱা মখা শাংথনা ঙাঙনবগী মথৌ তাদে। ফীভমসি চহী ৩ ফাজিল্লক্লবনি। কুইরক্লবনিনা কনানা কনানো, করিনো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙনরবনি। তাক্লুরবসু 'মরৱারি' দা 'করবার' তাকপগী থৌদৌ তারক্কদোইনি। তাকফম লৈতে। লো-এন্দ-ওর্দরগী ফীভম কায়হল্লকপা খোঙজং অমসুং ঈহৌবুদি কন্ত্রোল তৌদুনা লাকশিন্নবা হোৎনববুদি নথৌনি। অদুম তৌ। কৈশু কায়দে। অদুবু তমথীবা চৈনা ফংবগী চৈনাখোল থোরকপদা কৌরগা ৱারী শাবদুনা চৈনাখোলদু পুমকোক কোকহনবা ঙমগদ্রা? মদুগী মহুত্তা ৱাদুনতা লাক্লুবা মীয়ামদা অনৌবা চৈনা ফংহন্দনবা লৈজবা নবুধি-নরৌশিং অমসুং নপাঙ্গল পুথোক্তুনা থেক-থেক্লা হোৎনৌ। নখোয়গী নমিং মচা-মচাশিংদো মণিপুরগী পুৱারীগী পাক্লুবা লাতমদা সনাগী অচৌবা ময়েক্লা ইহৌদোইনি। কাউহন্নীংদে।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৫৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

**মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবা**

নয়ু নবুথৌ তুবী চরাইরোংবা। খোইয়ম লাইমিংথোংবু শৈওনবা। শেলবী তেখাও লালথাবা। মিংথোল মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবা। খোইয়ুম লাইমিংথোংবু শৈওনবদি। শেলবী তাইচীঙলেল। কবো শারেল তেখাও লম। চীঙখোঙ পোইরৈতোল খুলবী। পোংমাহলগা। মতৈমা লৈমা। খমনুং থোংঙাই চনু নিংঙোলগা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯵꯵)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

**ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯇꯨꯕꯤ ꯆꯔꯥꯏꯔꯣꯡꯕꯥ**

ꯅꯌꯨ ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯇꯨꯕꯤ ꯆꯔꯥꯏꯔꯣꯡꯕꯥ॥ ꯈꯣꯏꯌꯝ ꯂꯥꯏꯃꯤꯡꯊꯣꯡꯕꯨ ꯁꯩꯑꯣꯟꯕꯥ॥ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯇꯦꯈꯥꯎ ꯂꯥꯜꯊꯥꯕꯥ॥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ॥ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯇꯨꯕꯤ ꯆꯔꯥꯏꯔꯣꯡꯕꯥ॥ ꯈꯣꯏꯌꯨꯝ ꯂꯥꯏꯃꯤꯡꯊꯣꯡꯕꯨ ꯁꯩꯑꯣꯟꯕꯗꯤ॥ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯇꯥꯏꯆꯤꯡꯉꯂꯦꯜ॥ ꯀꯕꯣ ꯁꯥꯔꯦꯜ ꯇꯦꯈꯥꯎ ꯂꯝ॥ ꯆꯤꯡꯈꯣꯡ ꯄꯣꯏꯔꯩꯇꯣꯜ ꯈꯨꯂꯕꯤ॥ ꯄꯣꯡꯃꯥꯍꯜꯂꯒꯥ॥ ꯃꯇꯩꯃꯥ ꯂꯩꯃꯥ॥ ꯈꯃꯅꯨꯡ ꯊꯣꯡꯉꯥꯏ ꯆꯅꯨ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜꯂꯒꯥ॥ ●

## লৌমীশিংগী কাখল

# হৱাইমুবী পাম্বীদা মেগনেসিয়ম

- ডা. এম থোইথোই সিংহ -

হৱাইমুবী পাম্বীদা মেগনেসিয়ম (পাম্বীগী মচীঞ্জাক) ৱাৎপগী লায়ওংবু ভাইরসনা থোকহনবা লায়নানি খন্দুনা ভাইরস অমসুং মসি শন্দোক্লিবা তীলশিংবু হাৎনবা হীদাক তোয়না কাপ্লে। অসুম্না হীদাক লান্না শীজিন্নবনা অরেম্বদা মতম, শেল মাঙহনবা অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীবতা নত্তনা পাম্বী মশা শোকহল্লি, পোত্থোকসু হন্থহল্লি।

পাম্বীশিংগী মনাবু মচু শংনা উহল্লিবা, নুংশা মঙাল চূপশিন্দুনা পাম্বীগী মচীঞ্জাক শুংবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা ক্লোরোফিল মোলিক্যুলশিংগী ময়ায়মক্তদা লৈরিবা মেগনেসিয়ম ৱাৎলকপা মতমদা পাম্বীগী মনাশিং লাংনা উই। মনাগী মশিংশিংগী মরক্তা লৈরিবা শরুকশিং ঙৌনা নৎত্রগা নাপু মচু চঙলপ তৌনা লৈ। ভাইরসনা থোকহনবা লায়নাশিংগা য়াম্না মান্নে। ভাইরস লায়নানি খন্না হীদাক লান্না থানৈ। মসি থোক্তনবা লায়নাগী লায়ওং চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনগনি। মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওংসু চপ চানা খঙদোক্তুনা অৱাৎপা মচীঞ্জাক পীগনি।

**মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং :** ১) হৱাইমুবী পাম্বীদা মেগনেসিয়ম ৱাৎলকপা মতমদা অরিবা মনাশিং নাপু চঙলকই। মনাশিংগী ময়ায় থংবা অচৌবা মশিং (মিদ রিব) অমসুং মনাদুমক্কী মতাই থংবা শরুকশিংবুদি মচু শংনা লৈগনি। মতুং তারকপদা মঙ্গ্রা মচু চঙলপ তৌরকই। মশিং মচা-মচাশিংদুগী মরক মরক্তু ঙৌথোরক্কনি। মশিংশিংদুনা মচু শংনা লৈহৌগনি। লায়নাগী লায়ওং হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা অকুপ্পা মশিংশিংদুসু তপ্না তপ্না নাপু চঙলকই। অচৌবা মশিংশিংদুবুদি মখা তানা মচু শংনা লৈহৌই।

নাপু চঙলবা নৎত্রগা ঙৌথোক্লবা শরুকশিংদুদা দাগ মচা মচা লৈগনি। মসিমক মনাগী মতাই থংবা শরুকশিংদগী হৌরক্কনি। লোয়ননা উৎলিবা লায়ওং খুদিংমক মখা থংবা অরিবা মনাশিংদা লৈরম্বদগী মথক থংবা মনাশিং য়ৌশিল্লক্লি।

হৱাইমুবী পাম্বীদুমক য়েংবদা লিরবা পাম্বী মানগনি অদুবু শুংজিন্না পীকশিন্না লৈ।

**চুমথোক্লবা পাম্বৈশিং :** ১) ইঙ্খোল কোইনরিবা, পাম্বী থানরিবা লৈবাক্তা মেগনেসিয়ম মরাং কায়না য়াওজরবসু লৈবাক্তু শিল্লবদি (এসিদিক ওইরবদি) পাম্বীনা মেগনেসিয়ম চূপখৎপা ঙমদে। পাম্বীদা মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উৎলি। মসি চুমথোক্লবগীদমক পাম্বীশিংদা Power Mag মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পাম্বীগী মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি নৎত্রগা Versa MAG গ্রাম ৬০-৭৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পাম্বীশিংদা কাপথোকপা য়াই। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অনীশুবা ওইনা অমুক হন্না কাপথোক্কনি।

২) পাম্বীশিং থারিবা মফমদুমক্তদা পোটাসিয়ম ৱাৎলগসু পাম্বীনা মেগনেসিয়ম চূপখৎপা ঙমদে। মরম অসিনা মতিক চানা পোত্থোক পুথোক্লবগীদমক পোটাসিয়ম ৱাৎহন্দনা কাঙলোন চুম্না হার হাপকনি।

৩) অশিনবা লৈবাক্তগী মেগনেসিয়ম শীজিন্নবা ঙমদবা মরম্না অশিন অয়াক্কী চাং খঙদোক্লবা চাংয়েং তৌথোক্কনি। হৱাইমুবী থাফমগীদমক pH 6.5 গী মথক্তা লৈহন্নবা হোৎনগনি।

**হৱাইমুবীনা মেগনেসিয়ম কয়ামুক য়াম্না শীজিন্নবগে ?** পরি অমা পাক চাউবা হৱাইমুবী থাফম অমদগী পুথোক্লিবা হৱাইমুবী মরূ টন খুদিংদা মেগনেসিয়ম কিলো অমগা গ্রাম ২০০দি হৱাইমুবী পাম্বীনা লৈবাক্তগী লৌথোকই। মতুং তারকপা পোত্থোকশিং হেন্না ফনবগীদমক কাঙলোন চুম্না হার হাপ্পা, মচীঞ্জাক পীবা চঙই। অকংবা হৱাইমুবী মরূ কিলোগ্রাম অমদা মেগনেসিয়ম গ্রাম ১.৮ মুক য়াওই। পাম্বীদা মচীঞ্জাক শুনা, কাঙলোন চুম্না পীদবদগী পোত্থোক হন্থরিবসি চুমথোকপা চঙই।

**বোরোন :** হৱাইমুবীগী ময়োন্দা মুশিল্লকপা মতমদা কোকফাই লায়নানি খন্না কোকফাই হীদাক কাপ্লে। মনা মুবদুখক নত্তনা অতৈ মনাশিংসু য়েংলবা মতুংদা কোকফাইনা নাহল্লিব্রা নৎত্রগা পাম্বীদা চাং য়াম্না নেম্না মথৌ তারিবা অদুগা ৱাৎপদি য়াদবা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট বোরোন ৱাৎপগীরা হায়বদু হান্না খঙবা চঙই। হৱাইমুবীদা বোরোন ৱাৎলবদি মরা ফজনা থোক্তে, মপাল শাবগী চাং হন্থে, থরাক্তা য়াওরিবা মরূগী মশীং হন্থে, চাউদে। পোত্থোক য়াম্না হন্থে। লায়নাগী লায়ওং খঙদোকপা চঙই।

**হৱাইমুবীদা বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং : ১) পাম্বীগী ময়োন :** হৱাইমুবী পাম্বীগী খ্বাইদগী নৌরিবা ময়োন্দু মুশিল্লক্কনি লোয়ননা কংলক্কনি। মখা তানা কংশিল্লক্কনি।

**২) পাম্বীগী মনাশিংদা উৎপা লায়ওং :** নৌরপ তৌবা মনাশিংদু অতৈ মনাদগী হেন্না মুরপ তৌনা শংগনি। মনাশিংদু থারপ তৌনা কুরু খজিক তাগনি। পায়বদা কল্লপ তৌগনি।

**৩) মরূদা উৎপা লায়ওং :** পাম্বীগী ময়োন অমসুং নৌরপ তৌবা মনাশিংদা বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং উরবদি পাম্বীদুমক ফুল্লগা মরাসু য়েংগনি। শাংফম থোকপা চাংদু য়ৌনা মরাশিং শাংলোই, তেনগনি। মচীঞ্জাক চূপখৎপদা অকায়বা লাকই। পাম্বীদা বোরোন ৱাৎপা মতমদা ফোসফেট অমসুং রুবিদিয়ম চূপখৎপদা অকায়বা পী।

**৪) মপাল অমসুং মহৈদা উৎপা লায়ওং :** থরাকশিংদা য়াওবা মরূ মশিং হন্থে। মপালগী মশীংসু হন্থে। অদুবু মপাল মশীং হন্থবগী চাং লাকশিনবা ৱারবসু মরূ মশীং হন্থে হায়বদি ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী।

**চুমথোক্লবা পাম্বৈ :** ১) হৱাইমুবীদা বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং উদ্রিঙৈদা হৱাইমুবীবু শাহৌ ফনবা অমসুং মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং য়াওবা (বোরোন য়াওনা) মাইক্রোমেক মিলিলিটর ৪০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি।

২) বোরোন ৱাৎপগী লায়ওংশিং উরবদি বোরোন ১০% মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পাম্বীগী মথক থংবা শরুক্তমক চোৎনবা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ১৫নিগী মতুংদা অনীরকশুবা ওইনা কাপকনি।

৩) লৈবাক্তা বোরোনগী চাং হেন্না ৱাংখৎখিবা মতমদা অতোপ্পা পাম্বীশিংগী শাহৌদা অকায়বা পীবা মরম্না স্প্রেয়রনা কাপকনি। লৈবাক্তা পংহাপ হাপচিনবা চুমদে।

৪) পাম্বীদা বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং উরবসু লৈবাক্তা বোরোন মতিক চানা য়াওরম্বা য়াই, লৈবাক্তা ঈশিং ঈনিল ৱাৎলবদি পাম্বীনা বোরোন শীজিন্নবা ঙমদে। লৈবাক্তা ঈনিলগী চাং মতিক চানা লৈহনগনি। ●

# ঈশিং-নুংশিৎ, অঙ্গৈং-অশা (মেটিওরোলোজিকেল) গী ঈ-পাউ খঙনা লৌউ শিংউ তৌদুনা মায় পাকপা লৌমী ওইবীয়ু



- ডা. এস সুমঙ্গল -

হৌজিক্কী মতমদা রেদিও, টিভি পাউচেনচিংবদা নোংমগী/মতম খরগী ওইবা অঙৈং-অশা অমদি নোংগী ফীভমগী মরমদা তোয়না পাউ চেনবা ঐখোয় অয়াম্বনা থেংনরি। মসিগী কান্নবা অসিগী মরমদা য়াম্নমক মরু ওই খঞ্জরগা মমাঙথক্তসু থমজখ্রে। ঙসিসু মসিগী কান্নবা অসি মরু ওইনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী ওইনা অমুক্কা হন্না থমজরি। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা মিৎ নাকোং ওইনবা, লোয়ননা ময়ামগী কান্নগনি খনবা ৱাফম খরগসু খঙজিনমিন্নসি।

ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফমদি-মালেমসিদা হৌরিবা পাম্বীশিং অসি মাগী মাগী চানবা, হৈনবা অঈং-অশা, লৈহাও লৈজৈ হায়বসিনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কাশ্মীরদা সেম নিংথিনা হৌই হায়দুনা অয়াম্বা অফবা মখলশিংদি মণিপুরদা উখুলগুম্বা অঙ্গৈংবা মফম নত্তনা য়াম্নমক মায় পাকপগী ওইথোকপা খরা ৱাগনি। অনৌবা চানবা সেম মখল খরা মণিপুরদসু হৌজিক পানবদি থেংনরে অদুবু কাশ্মীরগী সেমগুম্না মহাও লৈনা মপূং ফানা পানবা হায়বদুমদি ওইথোক্লোই হায়জবনি। খা ভারত্তা নিংথম কালেন অনীমক্তা ফৌ মায় পাক্লা থারবসু অতোপ্পা মফম পুম্নমক্তা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই। নিংথম থাদা থাগদবা হৱাই মঙ্গল কালেন থাদা থাবা ৱাগনি। হায়বদি পাম্বী খুদিংমক্কী চানজবা/হৈনজবা নুংশা মঙালগী চাং, নুংথিলগী নৎত্রগা নুমিদাংগী শাংবগী মতম অমদি অঙ্গৈং-অশাগী চাং লৈজৈ। পাম্বী খুদিংমক্কী হায়রিবা চাংশিং অসি খঙবগা লোয়ননা মতম মতমগী হায়রিবশিং অসিগী ঈ-পাউ কুপ্পা শেন্নদুনা শীজিন্নরবদি লৌউ-শিংউ তৌবদা মায় পাক্কনি হায়বসিনি খঙজিনবদা কান্নগদৌরিবদি। খুদম অমত্তং থমজগে। অঙনবা মতমগী কোবিলৈ অথেঙবা মতমদা থাবদা খুবি মমায়মুক পাক্লা লৈ কারগা তোক্কনি, অথেঙবদা থাগদবা কোবিলৈ ঙন্না থাবা মতমদা মনাদা পংফ ফৱগা নিংথিনা লৈ কাবা ঙল্লোই, থেংথনা অদুমক লৈবা থেংনগনি। করিগুম্বা লৈ কারবসু লৈফোল ওইনা মওং ইচা চাদনা কাবা থেংনগনি। হৌজিক্কী মতমদা লৌউ সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না পাম্বীশিংগী অনৌবা মতম পুম্নমক্তা থাবা য়াবা খরদি পুথোরকপদি লৈরে। মখোয় অদুসু মাগী চপ চাজবা ফীভমশিং অদুমক লৈজৈ।

করিগুম্বদা নোং চুবগী পাউ খঙহৌদনা লৌফম অমা মহৈ মরোং থানবগীদমক হেক খোইদোকপগা নোং চুশিন্দুনা ফৈদোম শেম্বা নংহৌদবা তারবদি লৈবাক য়ৈশিনখিদুনা ফৈদোম শেম্বা য়াদবদগী কংবা ঙাইবা তাবনি, লোয়ননা শোয়দনা মতম মাঙবা তাবনি। হান্না খোইহৌদবা অতোপ্পা মীয়ামগী খোইবা মতমদসু হান্না খোইদোক্লুবা ওইবনা কংদদুনা খোইবা য়াররোই। মীয়াম্না এঙ্খাং নাপী থাখ্রবা মতুং ফাওবা ইঙ্খোলদু/লৌফম অদু খোইবা য়াদবদগী থেংথনা অদুম লৈহৌবা তাবনি। নোংগী পাউ তারম্লগদি ইংখোলদু খোইরল্লোই, খোইরবসু খুদক্তা ফৈদোম শেম্নবা থৌরাং তৌদুনা ফৈদোম শেম্নম্লবদি অসুম্না থোক্লল্লোই হায়বদুনি থমজনীংলিবদি।

থমজনীংবা ৱাফমদি নোংগী ঈ পাউ খক্তগী নত্তে। অঙৈং-অশা, নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং খুদিংমকসিগা ঐনা-ঐনা থারিবা মহৈ মরোং পাম্বী খুদিংমক্কী নিংথিনা মপূং ফানা হৌদুনা পোত্থোক পুথোকপা ঙম্বগা য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বসিমসুনি। অসিদা নত্তনা থারিবা পাম্বীদা তাগনবা লায়না তীলনাশিংগা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমগসু য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনরিবনি। লায়না নৎত্রগা তীলনা অমনা হৈনবা ফীভম লাক্লবদি ঐখোয় খুকউ শেনবা তাই। খুদম অমতং পল্লবদা - নোং থিৎলি-থিৎলি অমুক লেপ অমুক চু হায়বদি নুংশা অমুক শা, নোং অমুক চু তৌরবা, লৈচিল নোংফাই থাংলবা, ফৌনাদা লিক্লা পক্লবা ফৌগী ব্লাষ্ট নৎত্রগা আলুগী লেট ব্লাইট হায়রিবা শাথিরবা লায়নাশিং অসি তারক্লবগী য়াম্নমক ফরবা ফীভমনি, চেকশিন থৌরাং শোয়দনা পায়খৎপা তারে। নোং কন্না চুরগা লেপখিবগা লোয়ননা নুংশা শাবা ওইরবদি থোইদোক্লা কিনিঙাই ওইদে।

মথক্তা থমজরিবা মনা খামদেকপী আলুগী শাথিরবা লায়না (লেট ব্লাইট) অসি খরা ঈংবা (২০°সেলসিয়স) মতমদা নুংথিলগী মৈশানা নুমিদাংগী মতমদগী খরগা হেন্না শাবগা লোয়ননা লৈচিল নোংফাই থাংদুনা নুংশিৎতা ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংলবা লোয়ননা আলু মনাদা লিক্লা পক্লবা মতমদা তাগল্লি হায়বসি খঙজিনবা কান্নগনি।

অসুম্না নোং চুবা নৎত্রগা নুংশা শাবা অমদি অঙৈং-অশাগী চাং হায়বসি লৌমী ইচিন ইনাওশিংগীদমক্তি ষণপোৎ খোইবগী থৌরাং, মহৈ মরোং মরূ হুনবা, থাবা, ঈশিং চনবা চন্দবা, হার চাইবগী থৌরাং, লায়না তীলনাগী হীদাক কাপ্পগী মহৈ-মরোং হেকপগী নৎত্রগা লোকপগী তাঞ্জা অসিনচিংবা মরু ওইরবা থৌরমশিং অসিগী শেম শাবগী অশেংবা তাঞ্জাশিং থৌরাং তৌনবগী য়াম্না মরু ওইবা মরমশিংনি। মরম অদুনা হায়রিবা মরু ওইরবা মচাক অহুম অসিগী পাউ খঙবা হায়বসি শেন্দোং লৈনা, মায় পাকনা লৌউ-শিংউ তৌবদা য়াম্নমক মরুওইবা অমনি হায়বসিনি থমজনীংলিবা ৱাফমদি। অদু নত্তদুনা লাইনা তম্বনি খন্দুনা পংউ উবা, পংথা থারবদি লৌ উবা অমদি ইঙ্খোল কোয়বগী ফংফম থোকপা শেন্দোং অদু ফংলোই হায়জবনি।

মরমশিং অসি লৈবনা মরুওইবা মহৈ মরোং খরগী খঙবদা কান্নগদবা ৱাফম খরা থমজরি।

| নিংথম | চানবা মতম | অঈং অশা (সেলসিয়স) | কালেন | চানবা মতম | অঈং অশা (সেলসিয়স) |
|---|---|---|---|---|---|
| হৱাই মঙ্গল | সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর | ২২-২৫° | ফৌ | জুন-জুলাই | ২০-৩৭.৭০ |
| আলু | ,, | ১৭-২৫° | নূং হৱাই | ,, | ১৫-৩২° |
| কোবি লৈ | অঙনবা- -মে জুন ময়ায় জুলাই- ওগষ্ট | ২০-২৭° ১৬-২০° ১২-১৬° | শগোল হৱাই | ,, | |
| | অথেংবা সেপ্তেম্বর ওক্টোবর | | | | |
| কোবিফুল | মতম লৈতে | অয়াম্বা মতমদা চানৈ, মতম তেনবা শাংবা মখল লৈ | লৈবাক হৱাই | ,, | |
| ব্রোকোলি | ওগষ্ট- ওক্টোবর | ১০-২৪° | শিং | এপ্রিল -মে | ২৮-৩৫° |
| হঙ্গাম | সেপ্তেম্বর- ওক্টোবর | ২৬-৩০° | য়াইঙং | ,, | ২০-৩০° |
| তিল্হৌ | মতম য়াম্মী | মরূ কাদ্রিঙৈ -১৩-২৩° মরূ কারিঙৈ-১৬-২১° | ভেলন্দ্রি | ,, | ২৫-৩০° |
| চনম | সেপ্তেম্বর- ওক্টোবর | মখল অনী লৈ। নুংথিল শাংবা/ তেনবদা চানবা | খামেন অশিনবা | এপ্রিল-মে জুলাই-ওগষ্ট | ২১-২৪° |
| গাজর | ,, | ১৬-২১° | খামেন | ফেব্রুৱারী-মার্চ মে-জুলাই; ওক্টোবর- নবেম্বর | ২৫-৩০° |
| হৱাই মুবি | ,, | ১৫-২৫° | | মোরোক এঙ্গাং মোরোক | ২০-৩০° ১৭-২৩° |



মতম চানা থাবা মপূং ফাবা কোবিলৈ

নিংথম কালেন হায়দুনা চাউরাক্লা খায়দোক্তুনা থমজবনি। মাগী মাগী খরা হেন্না চানবা মতমদি খরা খরা অদুমক খেন্নবা লৈতবা নত্তে। মতমগী মতুংইন্না অনৌ অনৌবা, মতমগা চানবা, অফবা মখলশিং পুথোকপা লেপ্পা লৈতে। মতম নাইদনা থাবা য়াবা, অঙ্গৈংবা/অশাবা খাঙবা ঙম্বা মখল কয়া অমনি। অদুমকপু মথক্তা থমজরিবা থাবগী মতম অমদি অঙ্গৈং-অশাগী চাংগা অদুমক নক্লনা লৈবনা মখোয়না হৈনজবা হায়বদুদি অদুমক ওইদুনা লৈবনা অয়াম্বনি। খরা খরা থৈদোক থৈজিন তৌদুনা অতাঙবা মতম নংনবা হোৎনবগী তাঞ্জা লৌবদসু হায়রিবশিং অসি খঙজিনবা কান্নগনি।

অমরোমদা অমুক মানা মানা হৈনজবা অঙ্গৈং-অশাদগী খরদং হেন্দোক হেঞ্জিনবা য়াদবা কাঙবুসু লৈতবা নত্তে। খুদম ওইনা অশাবগী চাংনা ৩০° সেলসিয়সকী মথক হেক হেনখিবদা আলু তাবা শুকঙমমক ঙল্লোই। খামেন অশিনবা অসি ৩২° সেলসিয়স হেন্না হেক শারবা, ১২° সেলসিয়সতগী তানা ঈংলবা খামেন অশিনবা পানবা শোয়দনা হন্থরনি, ১০° সেলসিয়সতগী হন্থরবা খামেন অশিনবগী অঙাংবা মচু ফংবা শুকঙম ঙল্লরোই।

খঙজিনবা য়াবা কয়া অমনি, থমজনীংলিবদি মরু ওইরিবা পাম্বী মখলশিং অসিগী হৈনজবা ফীভমশিং ইশিন্দুনা থম্বীয়ু, চাংয়েং মচা-মচা পাঙথোকপীয়ু, মতম খজিক খজিক খেন্নহন্দুনা মতম অমত্তদা পুল্লপ মণিপুর পূম্বদা কোবিনা/খামেন অশিনবনা ৱাই চাইহনবা তোকসি। মগুণ নীংথিনা খঙদ্রিবা অনৌবা মখল অমা থাগে খল্লবদি অপীকপা চাংদা লম মচেৎ খরদা হান্না চাং য়েংবিয়ু। মতৌ অসুম্না মতম মতমগী অঙ্গৈং-অশাগী, নোংজু নুংশাগী পাউজী কান্নবা লৌবীদুনা মায় পাকপা লৌমী ওইবিয়ু। মীয়ামগী অমদি শাষণগী হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা, থৱায় ওইরিবা চীঞ্জাক পুথোক্তুনা পূম্নমক্কী মপূং ফাবা মতেং তৌবিয়ু। ●